# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 30-07-2025)**

**দুরান(এল)ঃ** এসিয়া মহাদেসতা খ্বাইদগী ইহান হান্না শান্নবা হৌখিবা ফুটবোল টুর্নামেন্ট-দুরান কপ-২০২৫ গী ইম্ফাল লেগ, ঙসিদগী ইম্ফালগী খুমন লম্পাক ম্যেন ষ্টেদিয়মদা হৌরগনি। মনিপুরগী ওইনা ঙসি অহৌবা নুমিৎকী মেটচতা ত্রাউ এফ.সি. অমসুং নেরোকা এফ.সি. নুংথিল পুং মরিদা ইম্ফালগী খুম্মন লম্পাক ম্যেন ষ্টেদিয়মদা শান্নগনি।

মরকসিদা, দুরান কপ-২০২৫ গী ইম্ফাল লেগ অসিগীদমক ঙসি রাজ্য সরকারগী মখাদা লৈবা লোইশঙশিং অমসুং মহৈ লোইশঙশিং য়াওনা সরকারগী মখাদা লৈবা পব্লিক সেক্তর অন্দরটেক্কিং কোরপোরেসন, ওটোনোমস বোদি, সোসাইতি, কম্মিসননচিংবগী ওফিসশিং ঙসি ছুতি তঙ্খায় ওইরগনি হায়না জে.এ.দিনা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।

অমরোমদা, টুর্নামেন্ট অসিগী য়েংলগা মণিপুর পুলিস ত্রাফিক কন্ট্রোল ৱিংনা লম্বী চৎথোক চৎশিনদা অহোংবা খরা লৈগনি হায়রি।

**বন্দ (এল)ঃ** জর্মন নৎত্রগা টাইগর রোড শেম্বা য়ারোই, নাগা তাবা এরিয়াদা সুদা লৈবা কুকি মিলিটেন্টশিংগী দিজিগনেটেদ কেম্প শাবা য়ারোই হায়বনচিংবা দাবীশিং তৌরদুনা লম্বী থিংবগী খোঙজং চংশিল্লকখিবা ফুট হিল নাগা কো-ওর্দিনেসন কমিতি (এফ.এন.সি.সি) গী মীহুৎশিংগা মনিপুর পুলিসকী মকোক থোংবা ওফিসিএলশিংগা ৱারী শান্নখ্রে।

পুলিসকী পাউনা হায়-ৱারী শান্নবা অদুদা কমিতি অসিনা থল্লকখিবা ৱাফমশিং কুপা খন্নখি। ৱারী শান্নরবা মত্‌ংদা পুলিস দিপার্টমেন্টকী মায়কৈদগী কমিতি অসিনা তাল্লিবা দাবীশিং কুপা য়েংশিনগনি হায়বগী থাজবা পীখি। রাজ্য

অসিদা শান্তি অমসুং তংদু লৈতাবা ফিভম পুরকবগীদমক্তা অমদি লৈরিবা ইশুশিং শান্তি ওইনা ৱারী শান্নরগা ৱারোইশিন পুরকবা হৌজিক চংশিল্লিবা বন্দ হন্দে দাকপীনবা সরকারগী মায়কৈদগী আপিল তৌরি।

**এআর (এল)ঃ** ইং ২০২০ গী জুলাই ২৯ দা শজিক তম্পাক্তা চথখিবা ওপরেসন অমদা লৈখিদ্রবা লান্মীগী মফমদা ইকায় খুমবা উৎপগী থৌরম অমা ঙরাং পাঙথোকখ্রে।

আই.জি.এ.আর. (সাউথ) কী পি.আর.ওনা থোকপা চেরোল অমদা- থৌদোক অদুদা অসাম রাইফলসকী হলবিলদার-প্রনয় কালিতা, রাইফলমেন- রতন সলাম অমসুং রাইফলমেন-মেথনা কোনয়াকনা লৈখিদবনি।

**পুলিস (এল)ঃ** সেক্যুরিতি ফোর্সনা ইম্ফাল ৱেষ্ট অমসুং চুরাচান্দপুর জিলাগী মফম খরদা ঙরাং থিবা হুম্বগী থবক চথবদা বোম য়াওনা খুৎশু খুৎলায় কয়া ফাগৎলে।

পুলিসকী পাউনা হায়-ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী সেকমাই পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা চানবিরোক চিংগী নোবাপ মখোঙ এরিয়াদা থিবা হুম্বগী থবক চথবদা বোম য়াওনা খুৎশু খুৎলায় কয়া ফাগৎলে। ফাগৎলবা পোৎলমশিংগী মনুংদা ইয়ার গন অমা, লেথোদ টাইপ গন অমা, মোটার অমা, পোম্পী গন মরি, আই.ই.দি. মঙা, বি.পি. প্লেট মরি, কেমো ফ্লেস হেলটমেটনচিংবা য়াওরি।

সেক্যুরিতি ফোর্সকী কাংবু অমনা চুরাচান্দপুর জিলাগী সোংপি ভিলেজ এরিয়াদা ঙরাং থিবা হুম্গী থবক চথবদা মেগজিন য়াওবা নাইন এম.এম.পিষ্টোল মরি, সিঙ্গল বেরেল রাইফল তরুক, এম. সভেন্টি নাইন গ্রেনেদ লোঞ্চর অমা, মেগজিন য়াওবা পোইন্ট টু টুগী রাইফল অমা ফারে।

সেক্যুরিতি ফোর্সনা নমদুনা শেল খায়বা অমসুং আইন কায়না থবক তৌবশিংগী মথক্তা লেপ্পা লৈতনা ওপরেসন চথরি। পুলিসকী পাউনা হায়-

সেক্যুরিতি ফোর্সকী কাংবু অমনা অককবা পাউ অমা ফংবদগী থিবা হুন্নবগী থবক চত্থবদা কে.সি.পি. (এম.এফ.এল) গী কাদর অনি ইম্ফাল ইষ্ট অমসুং ইম্ফাল ৱেষ্টতগী ফাখি। মখোয়দগী মেগজিন য়াওবা নাইন এম.এম. পিস্টোল অমা, মোবাইল অনি ফাগৎলে।

অমরোমদা, সেক্যুরিতি ফোর্সনা হৌখিবা নিংথৌকাবা নুমিৎতা কে.সি.পি. (পি.ডব্লিয়ু.জি) গী মীওই অমা ইম্ফাল ইষ্টকী মহাবলি মনাক্তগী ফারে।

ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী কাইরং উমং ময়াই লৈকাইদগী নিঙোল মচা গ্রুপকীনি হায়বা মীওই অমসু ফারে। মীওই অদুদগী পোইন্ট থ্রি টুগী পিস্টোল অমা, মেগজিন য়াওনা নাইন এম.এমগী পিস্টোল অমা অমসুং নোংমৈ মরু খরা ফাগৎলে। অমরোমদা, থা অসিগী ২৬ তা চুরাচান্দপুর জিলাগী এল. কানন্দ খুলদগী দ্রগ লল্লোনবা মীওই অহুম ফারে। মখোয়দগী সপোন কেপ ২৬৯ দা হাপ্পল্লবা কিলোগ্রাম অহুমলোমগী হেরোইননি চিংনবা পোৎলম ফাগৎপা ঙমখি।

**পিএমঃ** প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা মালেমগী লুচিংবশিং অমত্তনা ওপরেসন সিন্ধুর লেপবা হায়রকখিবগী ৱাফম লৈতে হায়না ফোংদোকখ্রে।

বিরোধিনা পাকিস্তানগী মথক্তা চত্থবা ওপরেসন সিন্ধুর অদু আমেরিকানা কন্না তোকবা হায়রকপদগী সিজ ফয়ার তৌখিবনি হায়বদু প্রধান মন্ত্রিনা য়াখিদে। শ্রী মোদিনা হায়-পাকিস্তাননা মখোয়গী মায়কৈরোমদা অৱা অনা নংলে। মখা তানা অৱাবা খাঙবা ঙম্লরোই হায়দুনা মখোয়গী মায়কৈদগী ওপরেসন সিন্ধুর অদু তোকপীনবা হায়রকখিবনি। মহাকা হায়-আমেরিকাগী উপ রাস্ত্রপতিগা ৱারী শান্নবদা পাকিস্তাননা ভারতকী মায়কৈদা লান্দরক্লবদি ভারতনসু মদুগী চপ চাবা পাউখুম অদুম্মক পীগনি, ভারতনা মতম পুন্নবদা পাউখুম পীনবা শেম শাদুনা লৈ।

লোক সভাদা ওপরেসন সিন্ধুরগী মতাংদা অখন্ননা খন্নবগী থৌরমদা প্রধান মন্ত্রিনা হায়-ভারতনা ওপরেসন সিন্ধুর অসিগী মনুংদা পাকিস্তানদা লৈবা তোঙান তোঙানবা টেরোরিষ্টশিংগী কেম্প কয়া থুগায়বা ঙমখি। ভারতনা পেহলগাম

তেরর এটেককী চপ চাবা পাউখুম পাকিস্তানদা পীখি। ইন্দিয়ান ইয়ার ফোর্সনা মিনিট ২২ গী মনুংদা এপ্রিল ২২ গী লম্মন অদু খুন্বা ঙমখি।

**মুরমুঃ** রাস্ত্রপতি-দ্রৌপদি মুরমু, নুমিৎ হুমনিগী খোঙচৎতা নোংচুপ বেঙ্গোল অমসুং ঝরখন্দদা ঙসি চৎলগনি।

খোঙচৎ অসিদা রাস্ত্রপতি-মুরমুনা নোংচুপ বেঙ্গোলগী কল্যানগী এইমসকী অহানবা কনভোকেসন থৌরম হৌদোক্কনি। ঝরখন্দদসু রাস্ত্রপতিনা দিওগরদা লৈবা এহমসকী অহানবা কনভোকেসন থৌরমদা শরুক য়াগনি। মসিগী তুংদা, ধনবাদতা লৈবা আই.আই.টি. (ইন্দিয়ান্স স্কুল ওফ মাইন্স) কী ৪৫ শুবা কনভোকেসনগী থৌরমদা শরুক য়াগনি।

**---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---**

কেন্দ্রগী শিক্ষা মন্ত্রি-ধমন্দ্রে প্রধাননা ধরতি অবা জন জাতিয়া গ্রাম উকরস অভিয়ানগী মখাদা লাংমৈ হয়ার সেকেন্দরি স্কুল তমেংলোংদা নৌনা শাগদবা হোষ্টেলগী উরেপ উয়ুং তমখ্রে হায়বা পাউ তমেংলোং টাইমসতা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

গানফিয়ু মেলদা-মনিপুরদা প্রসিদেন্ট রুল মখা তানা শাংদোকবগী মতাংদা রাজ্য সভাদা খন্ননবা পুং অনিগী মতম পীখ্রে হায়বা পাউ অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

পোকফমদা-পার্লিয়ামেন্টতা ওপরেসন সিন্ধুরগী খন্নখ্রে। ওপরেসন সিন্ধুরনা পেহলগাম এটেক চথখিবা মাস্তর মাইনশিং হৌজিক ফাওবা তুমহনদ্রি হায়না প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা ফোংদোকখিবা ৱাফম অমা অহানবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

জিরিবাম মীহাৎ-চার্জ সিট থাগৎনবা হায় কোর্টনা এন.আই.এদা থা অমগী

মতম পীখ্রে হায়বা পাউ অমা পাউচে অসিদা অনিশুবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

হুইয়েন লানপাউদা-জিরিবাম মীহাৎকী ইনভেষ্টিগেসন রিপোর্ট এন.আই.এনা পীখৎলকখ্রে। হায় কোর্টনা থা অমগী মনুংদা চার্জসিটকী রিপোর্ট পীখৎলকবা খঙহনখ্রে হায়না অহানবা হেদলাইন তৌরি। থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিতালদা অঙাং উন্নবদা মমা লৈখিদ্রে, ডাক্তরনা থৌশাদবদগীনি হায়দুনা অকায় অতোয় থোকহনখ্রে, মেদিকেল সুপরিনটেন্দেন্টনা পুলিসতা ৱাকৎখ্রে হায়বা পাউ অমা পাউচে অসিগী এঙ্কর কলমদা ফোংলি।

সনা লৈবাক্তা-চীং নিংখায়রিবা মফম এম.এল.এ. লেটজমাঙ হাওকিপনা য়েংশিনখ্রে, কুকিশিংগী মরুওইরিবা চুরচান্দপুর তাবা নেসনেল হায়ৱে ফাওনদ্রে হায়বা পাউ অহানবা হেদলাইন তৌরি। ওজা ৱাৎপদগী থাঙ্গ হয়ার সেকেন্দরি স্কুল ক্লাস তৌদনা লৈরে। অথুবদা মথৌ তাবা ওজা থাবীরকউ হায়না মহৈরোইশিংনা ফোংদোকখিবা ৱাফম অমা পাউচে অসিগী এঙ্কর কলমদা ফোংলি।

মনিপুর মেলদা-সু মখা তানা শাংদোকপা য়ারোই হায়না মীতৈ এল্লাইয়েন্সনা ফোংদোকখিবা ৱাফম অহানবা হেদলাইন তৌরি।

নহারোলগী থৌদাংদা-মরম চাদনা পায়বা ভোটর কার্ড লৌথোকবা কাংপোকপীদা মীফম পাঙথোকখ্রে। মীফম অদুদা শরুক য়াবা বি.জে.পি. অমদি কংগ্রেস পার্টিগী কুকি লুচিংবশিং মৈ হৌনা শাউখ্রে হায়বা পাউ অহানবা হেদলাইন তৌরি। এন.ঐচ. টুদা ফুরুপ খুদিংমক চৎপা য়াহল্লু হায়বা সেন্টরগী প্রেসরনা কাংপোকপীদা মীফম পাঙথোকখ্রে হায়বা পাউ অমসু অনিশুবা হেদলাইন পীদুনা ফোংলি।

পঞ্চায়ট ইলেক্সন পাঙথোক্তনা লৈরিবা সেন্ত্রেল গভরমেন্টনা খঙব্রা হায়বা এম.পি. বিমোলগী ৱাহংদা পঞ্চায়ট ইলেক্সন ষ্টেট সবজেক্টনি হায়না খুল্লকখ্রে হায়বা অমা পাউ অসিদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।